
# ওইরক্লিবা ফীভমসিদা মণিপুরী ফিল্মগী করি অনৌবা খোঙথাং?

*- নানি*


মালেমসিগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীৎ উইশিল্লগা সুম য়েংবদা মীওইবগী হেবিট অমদি লাইফ ষ্টাইলশিং অসি খরদি চেঞ্জ তৌরক্লবা য়াবগী থাজবা লৈ। মরমসিনা হান্না লৈরম্বা চৎনবী খরদি শোয়দনা হোংলক্লগনি। মসিগী মনুংদা আর্টস এন্দ কলচরগা শাগোন্নবা পর্ফোর্মিং আর্ট খরগী অনৌবা লাইবক অমা লেপ্লবা অনৌবা খোঙথাং অমা থাংনবা লম্বী অমা থিহৌবা তঙাইফদবা ওইগনি খল্লি। মসি লন্নাই মীওই অমতনা মফি তাখৎতুনা খুরুপ থাবা য়ারোই। খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ অদুগা শাগোন্নদুনা ওইথোকপা য়াবা, অনৌবা লম্বী অমা মীয়াম চঙনা থোনবা অমা তঙাইফদে।

মীওইবা হায়বা অসিনা হেক লৈরিমখৈদি মশা-মশাগী আইদেন্টিটি অমদি মদুগা শাগোন্নবা কলচরগী থৌরম থৌদাং কয়াদি মাঙবা লৈরোই। অদুবু মদুগী শীজিন্নফম অমদি মদুগী মতিক ময়াই শীজিন্নদুনা মীয়ামগী মফমদা খুদোল তম্বা য়াবা পর্ফোর্মেন্স অমা শেম্বা অমদি মদুগী মার্কেট, মদুগী পর্ফোর্মেন্স স্পেস অমদি শোয়দনা মথৌ তাগনি। মতাং অসিদনি চেকশিনগদবা, য়েংহৌগদবা, খন্নহৌগদবা। মসিগীদমক কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিং, পর্ফোর্মিং আর্ট খুদিংমক্কী এপেক্স বোদিশিং, শাগোন্নবা লন্নাই মীওইশিং, লৈঙাক্কী থৌপুবশিং পূন্না খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নবা অমা মথৌ তারি। ফাদবা পড়া অমা ফানবা ঔরাইবা তাই। ওইথোক্কনি থাজদবা অমা ওইনবা হোৎনবদা হুমাং খরদি তাবা মশানা তাই। মদুগীদমক মীয়াম অমদি মরী লৈনবশিংনা পুনশিনবা মথৌ তারে।

মণিপুরদা মীয়ামগী ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট কয়া অমা লৈরি। মদুগী মনুংদা মমি পরেং লেংদুনা অনৌবা টেক্নোলোজিগা লোয়ননা পুথোকপা ফিল্ম আর্ট হায়বা অসিসু মরু ওইবা অমনি। পেন্দেমিক অমা থোক্লিবা অসিগী মাঙওইননা, হঙ্গৎনা য়েংলুবদসু, মণিপুরী ফিল্মগী মরাইবক অসি পংফ-ফবা অমদি ওইখিদবনি। মণিপুরী ফিল্মগী মার্কেট, মসিগী ওদিএন্স মশীং য়াম্না লিক্লা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা ফিল্ম অমগী মতিক-ময়াই অসি ২০০২দগী হৌনা ময়াই চমখ্রবনি। সিনেমা হোলনা অতোপ্পা বিজিনেস সেটঅপ তৌরকপা, স্কুল-কোলেজ ওন্থোরকপা কয়া অসি করি মরমগীনো হংবদা ইরায় লায়বা পাউখুম মীয়াম্না ফংদুনা লাকখ্রবনি। মদুগী হেক মমাঙদা লৈরম্বা ফিল্মগী ঈহৌ অদুসু খংতপ-তপথখ্রবনি। মতমদুদা ফিল্ম নুংঙাইবা অমা লাকপদা মীয়াম্না টিকেট অমা ফংহৌনবা অমদি কলাবজার তৌবশিংনা মখূৎতা টিকেট খরা পায়দুনা মমল হেন্না য়োলহৌনবা টিকেট কাউন্টরদা মীগী ঈচাও থোক্তুনা টিকেট ইন্নখিবা ময়াম অদু ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। মতমদুদা মশা-মউ ফবা, নৎত্রবসু হৈ-শিংবা চিৎ-চিৎ লিৎশিন্দুনা টিকেট ককপা ঙম্বা মরুপ-মপাংশিংগী ফুরিৎ পায়দুনা য়েংলগা টিকেট ঙাইখিবদো ঙসিদি, ঙসিগী মীরোল অসিনা উবা ফংবা নৎত্রে। মদুদগী অমুক হিন্দি ফিল্ম থিংজিনখিবদগী মণিপুরী ফিল্মগী অনৌবা মরাইবক অমা লেপ্লবা ময়াম্না দিজিটেল ফিল্ম হায়না খঙনরিবা, ভিদিও ফিল্মশিং অসি থোরক্তুনা অনৌবা ফিল্মগী মীরোল অমা লাকপা হৌখ্রে। মদুগী খুদোল কয়া অমা মীয়াম্না উবা ফংনখ্রে। মদুসু মতিক চাবা মতমগা চুনবা হোল লৈতবনা সিনেমা হোলদা লাক্তুনা সিনেমা য়েংলবা হায়বসিমদি কয়া তৌনখিদ্রে। ফেমিলি হুপ-হুপ্তুনা সিনেমা য়েংনরম্বা, লৈশাবী-পাখংশিং নুংশি লম্বীদা পোত্থাফম ওইরম্বা, পূক্লিংগী ৱারোল ফোঙদোক্লফম ওইরম্বা সিনেমা হোলদা সিনেমা অমা য়েংলগা লৈরম্বদু লৈখিদ্রে।

হৌজিক্লা অমুক মালেমগী ওইবা অহোংবা অনৌবা সিন অমা লাকপা হৌখ্রে। হান্নদগী হৌনা ওদিএন্স অমদি মার্কেট লৈতবগী অৱাবা অমা কন্না মায়োক্লরিবা মণিপুরী ফিল্মগী করি মরাইবক অমা লাক্কদগে হায়বা অসি হৌজিক্কী ওইনদি খরা ঙল্লি, পাউখুম পীবা ৱাখিগনি। অদুবু লাইচৎ অসিনা লেংদনা অসুম লৈরগনি হায়বা ৱাফম অসি য়েংলগদি মীওইবগী হান্না লৈরম্বা চৎন-কাঙলোন অদু থুগাইরগা অনৌবা চৎন-হৈনবী অমা শোয়দনা লাক্লগনি খল্লি। মতম অদুদা মণিপুরী ফিল্মগী করি ফীভম লাক্কনি। মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অমদি অতৈ মালেমগী ওইবা লূপ কয়ানা থল্লিবা ফিজিকেল অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং অসিগী য়েংলগা ওদিএন্সশিংগী সিটিং এরেঞ্জমেন্ট হান্নগী ফীভমদা অসুম লৈগদরা নৎত্রগা অনৌবা সিষ্টম অমা শেমগদরা? লৈরিবা সিনেমা হোলশিং অসিগী ফীভমশিং অসিদা কয়া য়াম্না মায় পাক্লা উৎপা য়াগদগে হায়বা অসিসু খন্নবা মথৌ তাই। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা য়েংবদা মণিপুরী ফিল্ম খরা রিলিজ তৌনবগীদমক হান্ননা মতম লেপ্লখ্রবা অমদি পুথোক্লবা শেম শাবা লোইরবা কয়া অমা লৈরি। মসিগা লোয়ননা শেম শাবা লোইশিল্লক্লবা, নম্বা লোইগদৌরবা কয়া অমসু লৈরি। লৈরিবা ফিল্মশিং অসি হান্নগী মতৌগুম্না মীয়াম্না য়োমদুনা য়েংবগী মতৌ অদুমদি লৈরিবা এদভাইজরি অসিনা য়াগনি হায়বা থাজদে। কোভিদ-১৯ হায়বা অসি মালেমসিদা ফনা কুইনা লেঙদনা লৈখিনি হায়বসিদি অখঙ অহৈ কয়ানা হায়দুনা লৈরবা ৱাফম ওইরিবনি। অদুনা প্রোটেক্টিভ মিজর অমা ওইনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং হায়বা অসিমদি মতম খরা শাংনা চত্থরক্লগনি। অদুনা থৌরম খুদিংমক্তা সিট এরেঞ্জমেন্ট তৌবদা হান্নদগী অহোংবা খরদি শোয়দনা লৈরগনি।

লাকচসনু, পূম্নমক থেংনবা তাবনি। অদুবু থেংনবা মতমদা ঐখোয়গী লৈজরিবা ফিল্মগী চাংদা অসিসু হন্থদনবা করম্বা কাঙলোন অমগী মখাদা করি তৌবা য়াবগে হায়বা অদু মুন্না খন্নবা অমা মথৌ তাই। হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা, মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওইনা য়াম্না ইনর্জেটিক ওইবা, ফিল্মগী লাইন অসিদসু নেসনল এৱার্দি অমা ওইরিবা বি সঞ্জুনা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরকপা অসি য়াম্না তাঞ্জা চাবা অমদি মণিপুরী ফিল্মগী অনৌবা মায়ওন অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগদবা অনৌবা সেক্রেটরিনি হায়না লৌবা য়াই। বি সঞ্জু মণিপুরী ফিল্মগী লম্‌দা অচৌবা খুদোল কয়া তৌদুনা লাক্লিবা য়াম্না দাইনামিক ওইবা অমদি ইনোভেটিভ ওইবা দিরেক্টর অমনি। মহাক্কী লমজিং মখাদা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অসিগীসু অনৌবা মশক অমা শোয়দনা উবা ফংলক্লগনি থাজৈ। ইন্সটিট্যুট অসি হেক হৌবদগী লৈঙাক্লসু অমদি দিরেক্টর ওইনা থৌ পুবিরিবনসু কয়া থৌ-ৱা শাদবা, মতম হৌখিবা ঙাইবগী ফীভম অমা লাক্লি। মসিদি অচুম্বা নত্তে। মণিপুর অসিদি টেলেন্ট লৈবা কয়া অমা লৈ। লৈরিবা টেলেন্টশিং অসিগী মথক্তা ট্রেনিং পীদুনা মথ্বায় হাপ্পীরবদি তৌবা ঙমলোইদবা করিসু লৈরোই। ট্রেনিং ইয়াও য়াওদনা মখোয়-মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংদা লৈজরিবা, উজরিবা খরা অসিদা ফিল্ম পুথোকচবদা মালেমগী থাক্তা কাখৎপা ঙল্লিবনি। মসিদা ট্রেনিং অমুক হাপচিল্লবদি করি ওইগনি।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৬।২০২০ ইং, নোংমাইজিং,
ইঙাগী ২৪ নি পানবা।

**মেষ:** ঙসিসু থবক থানাদা খুৎলোইবা ৱাৎপা অমদি অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা লৈ।মরুপ মপাং কাইনবসু লৈ। অদুবু মীংচৎ তানবদি মাই পাকপা অমদি লন চংবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- হাইজবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ:** শেল ফংগনি, নক্লবশিংনা তেংবাংবিগনি অমদি হকচাং নুংঙাইনা লৈগনি। অরুবা থবক্তা শেল থাদবা কান্নগনি অমদুবু মীতোপ্পা ইসিনবা লৌরদি নরল কাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফরে।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**মিথুন:** নচাক নরল চালখৎপা অমদি ললোন ইতিক্তা কান্নবা লৈগনি। লোইনবা খনবা হৈত্রদি ক্নেক শাগনি অমদি লৈঙাক্কী লমদা ঈংথনা চৎলু। মীয়ামগী খল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক খরদি ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট:** হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি হেন্না অশা চাওবনা নথক থোংবগা মুক্লবা ওইনা থোক্কনি। শাওগৎপনা মাংজগনি অদুবু ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবসু লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ঙাংথোকপদা রাশি য়াওগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ:** খল্লদবা কান্নবা ফংগনি, পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি ইমুং-মনুং পুন্না পাংবদি কান্নবা য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। থিবা হুম্বা কনবগী মান্নবা ফংজৌ হাইবসু লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংবা মপাদি চারোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা:** নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি নথক থোংবনা য়াবা থৌপাংবনা হেন্না নুংঙাইবা ফংগদবা নুমিৎনি। অনম তানবদি য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** অশাওবা অমদি মৈনা তাথিবা লৈগনি অমদি ফংজবা য়াবা পনবৈ পেন্দবা লৈগনি। মীচংদি হেনগৎপা, অনৌবা থৌরাংনা মাই পাক্কদবা অমদি নুংঙাইগদবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** মতম মাংগনি, য়েক্লবনা ওৎপনা পেন্দবা অমদি শাওনিংবা লৈগনি। খোইরাংবা ফাথৌ । অরিবা মরুপ-মপাংনদি চানগনি অমদি অফা-অপুন খরদি কোকচরগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পুক্লিং লাংগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।


**ধনু:** লনথুম অমদি লৌশিং মরাং কাইনা তানশিনবা য়াবা অমদি মরুপ-মপাং ফংজবা নুমিৎনি। লেংদবা লন অমদি নচাক নরলদি চেকশিল্লু কল্লক য়েংথিবা য়াম্মী।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নিংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক।

**মকর:** নিংবা মপা চারগনি, নচা ননাইগী লমদা অফ-ফত্তা য়ান্নগনি অমদি লাই গুরুনদি চানবীগনি। নোল্লুক্লা চত্রদি অচানবা কাইনবগী নুংঙাইতবা খরা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা

**কুম্বা:** চেকশিঞ্জদ্রদি অরং অরাক ময়েং তাগনি, ফিংলগনা পুক্লিং খোইরাংগনি অমদি য়েক্লবনা নরলদা মীতাবা লৈগনি। ওজা গুরুগী পাউতাক লৌবনা পুন্নমক্তা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাংবা।

**মিন:** লাইবক থোইনা ফবা নুমিৎনি, নচা ননাইগী লমদসু পুক্লিং পেঞ্জগনি অমদি হৈজ-শিংজবনা কান্নবাফংগনি। অচুম্বনা মাংওইনৌ লম খুদিংদা মীনা লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশি মরি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**



Title: Rose
By: Alina Khan
Class: KG Sec: A Roll No. 30
School: Kids' Foundation




Title: Village House
By: Divena Laishram
Class: KG Sec: A Roll No. 15
School: Kids' Foundation





Title: Josina & Me
By: Baby Maria Y
Class: IV Sec: Daffodil Roll No. 41
School: SL Arena of Learning




Title: Butterfly
By: Loijingba Y
Class: I Sec: Daffodil Roll No. 24
School: SL Arena of Learning



Title: Parrot
By: Mehesar
Class: III Sec: C Roll No. 5
School: Smart Universal Academy




Title: Landscape
By: T. Devaraj
Class: V Sec: A Roll No. 62
School:




Title: Scenery
By: Tennyson Sougrakpam
Class: II Sec: Roll No. 33
School: Rama Krishna Mission School



Title: A Man & A Woman
By: W. Kritibash S
Class: III Sec: A Roll No. 1
School: Smart Universal Academy




Title: Birth
By: Yaisana Hijam
Class: V Sec: D Roll No. 38
School:



Title: Scenery
By: Eleena Huidrom
Class: IV Sec: C Roll No. 32
School:



Title: Scenery
By: Nongpoknganba P.
Class: I Sec: A Roll No. 22
School: Tolchou Ibeton Memorial Academy



Title: Elephant
By: Sucramchand
Class: IV Sec: Roll No. 16
School: Tolchou Ibeton Memorial Academy